থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# অমঙ য়াইথোঙ কুম্লক্লিবা মণিপুরী ফিল্ম আর্ট

কুম্মৈ -হরাও হায়বদুবু খঙনৈ- ‘ফেষ্টিবেল’ হায়না। ‘ফেষ্টিবেল’দা অৱাবই শরুক য়াওদে। মীবু হরাওহনবা নুংঙাইহনবা অদুবুনা কৌই- এন্টরটেইন তৌবা। ঈশৈ-নোংমাই-জগোয়-দ্রাবা-সিনেমা, মীগী পূক্নিং-ৱাখলবু ঙাইহাক নুংঙাইহনবা, পোত্থাহনবই থবক অদুবু কৌই ‘এন্টরটেইনমেন্ট’। মরম অসিননি- করিগুম্বা, ‘অৱাবা-নুংঙাইতবা ফোঙদোকপা নুমীৎ’ অমদা ‘কুম্মৈ-হরাও লেপ্পীয়ু’ হায়বা আপিল অমা তৌনরক্লিবা। অসিগুম্বা আপিল তৌরিবা, অৱাবা ফোঙবা থৌরম অদু শীল্লিবা কাঙবুশিংনা ৱাখল তাদবা হায়গদ্রা? পাউ ফাওনদবা হায়গদ্রা? ৱা অমদি লৈ। মদুদি এন্টরটেইনমেন্ট হায়বা শিনফমসিগী শিন্মীশিং- মখোয় কলাকার ঙাক্তনি। মখোয়না ঈশৈ শক্লিবদু মথৌনি, থৌদাং অমা পাঙলিবনি, নুংঙাইথোকপা নত্তে। অৱাবদু ফোঙদোক্লবা কলাকারগী মথৌ তাই। লাইশোন ঈশৈ য়াওদনা অৱাবা ফোঙবা মপুং ফাবা ঙমদেদনা! এন্টরটেইনমেন্ট আর্ট, ইন্দষ্ট্রি অমা ওইরবনি।

অৱাবা নুংঙাইবা, মীওইবগী পূক্নিং-ইহুল অনীমকসি ফোঙবদা-মীওইবগী ‘কলা’ য়াওদবা য়াদ্রবা, তঙাইফদ্রবা অমনি। ‘কলা’/আর্ট হায়বসি করিনো? তেল্লবা পাউদম অসিদা নৈনজগে খঞ্জরুদে, ৱাখল নুংনাংবীরুনু। সঙাই ফেষ্টিবেল মনুংসিদা, লমদমসিগী মীয়াম পুন্নমক্না নুংঙাইবা মুদ অমদা পূক্নিং ঈরাং হৌরিঙৈ, ফেষ্টিবেলসিগী মনুং চন্না লমদমসিগী মুৎশিল্লক্লবা ঈশৈগী শৈহেক খরদি, কোরৌ নুমীৎ তরানি নুংশিবা-শা’ হিংগৎহন্নবা হোৎনবীরক্লগদবগুম খনহল্লগা, দিসেম্বর ১ দগী অমুক পুমকাউ কাউখ্রগনি, নোংমতসু নীংশিংলরোই। মদুইদমক্তি ৱাজরুই।

অসুম্ন’সুম খোঙ্গুল মুৎখ্রগদবা লমদমসিদই হৌখিবা কলা মখল কয়াগী লিষ্ট মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীদগী ফংগনি। ঙরাংগী পাউদমদসু হাইফেৎ পঞ্জখিবদুনি-কলাগী কষ্টদিয়ন ‘গভর্ণমেন্ট’না ওইগনি খন্না লৈথোক্লবা-মীৎমাঙসিদা উনা উনা অনঙবা লৈখোমগী কোমনুংদা লুপখিবগুম লুপখিগনি, অমগী মথংদা অমা, লমদমসি তাঙল-তাঙলবা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম কয়া। অসিগুম্বা, শোয়দনা মুৎখ্রগদবা, অমুক উগে ফংলরোইদবা আর্ট মখল কয়াসিবু তুংগী মীরোল অদুনা উজবা ফংনবা, রেকোর্দ তৌদুনা থম্নবা পান্বে অমখক লৈ। মদুদি, ‘ফিল্ম’ কৌবা আর্ট মখল অসিনি। অদুবু, মণিপুরদা লুরিবদি, আর্ট মখল পুম্নমকসিদগী মীনা খ্বাইদই পাম্নবা, পোপ্যুলার ওইবা আর্ট ফোর্মনি খন্নরিবা ‘ফিল্ম আর্ট’ অসিসু শিথরক্লবা আর্ট অমা ওইরকপা অসিনি। চহী ৫০ মুক্তা ঙায়রিবা, অসুক নৌরিবা পোপ্যুলার আর্ট ফোর্ম অসিনা অসুক থুনা মরায় চায়থরক্কনি হায়বসিদি কনামত্তনা থাজখিদবনি। আর্ট ইন্দষ্ট্রিদা খ্বাইদই মাঙজিন থারিবা ‘ফিল্ম-ইন দষ্ট্রি’- মণিপুরগী সেক্তরদদি ‘হিন্দী ফিল্ম’না মণিপুরগী ফিল্ম-কৈথেলবু লাঙ্গোয় চল্লিঙৈদদি ইন্দষ্ট্রি অমা ওইরমদে। ইখঙ খঙহৌদনা মণিপুরগী সিনেমা হোলশিংদা, ফিল্ম-দিষ্ট্রিব্যুটরশিংগী খুত্থাংদা লাকপা হিন্দী অমদি ইংলিস ফিল্ম পুন্নমক উৎপা তোকখি। সিনেমা হোল পুন্নমক তম্ন লাই (ভুৎ-প্রেৎ) শিংগী তম্নফম ওল্লকখি। মফমদুদা শিনশঙ ওইরম্বা শিন্মীশিং শিনথোঙ খঙদ্রবা মীরেম ওইবা তারক, অতোপ্পা শিনফম থিবা চৎনখি। এন্টরটেইনমেন্ট সেন্টর ওইরম্বদু স্কুল-কোলেজ-দুকান ওইনা ওন্থোক্লখি।

অদুগুম্বা তানফমদু, ইন্দষ্ট্রি ওইবা ঙমদ্রবা মণিপুরী-সিনেমাগীদি ‘ব্লেসিং ইন দিসগাইজ’ হায়নবা- ‘শক্লোৎলগা লাকপা মপুগী নোংদম’ ওইনা থোকখি। সিনেমাগী অতোপ্পা ফোর্মেট (শকওং) অমদা, ভিদিও ফোর্মেৎ’তা নম্বা ফিল্মশিংগী কৈথেল অসি শেমগৎলকখি। প্রতাপ টোকিজ, ফ্রেন্দস টোকিজ অমদি উষা সিনেমা- কৈথেল ময়োল অসিদা, মণিপুরী সিনেমাগী অনৌবা মপোক অসিগী শকফোংনফম ওইরকখি। ঙসিদি ফ্রেন্দস অমদি উষা অনীসিদা ঙায়শিল্লক্লে।

মতম অমদা, ঐখোয়না পাখঙ ফারকপা মতম অদুৱাইফাও’, ফিল্ম অমগী মায় পাকপা/পাক্তবগী পাদম ওন্নবা ‘জুবিলী হিত’ হায়বা ৱাহৈ অমা লৈরম্মী- সিলভর জুবিলী- চয়োল ২৫ লেপ্তুনা উৎপা, গোল্ডন জুবিলী (চয়োল ৫০), দাইমন্দ জুবিলী (চয়োল ৬০), প্লাটিনম জুবিলী (চয়োল ৭৫) অসিনচিংবা। সিলভর জুবিলী হিত হায়বগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবা মণিপুরী ফিল্মদি অনীখক্তনি (লমজা পর্শুরাম, ওলাংথাগী ৱাংমদসু)।

ঙসিদি কুনমাথোইশুবা সেঞ্চুরিগী অনীশুবা দিকেদ লোইগদৌরবা মতমনি। ফিল্মগী মচৎ অমদি মশক হোংবখক্তা নত্তনা, মায় পাকপগী পাদম ওনবই মওংদুসু হোংলে। জুবিলী সেলেব্রেসন হায়বদু অমুক হন্না তাখিদ্রে। নোংমদা নৎত্রগা চয়োলদা লুপা কয়া, ইন্দিয়া অমদি মীরৈবাক্তগী খোমগৎপা ঙম্লবগে হায়বদুনা ফিল্ম অমা মায় পাকপা নৎত্রগা পাক্তবগী পাদম ওইরক্লে। ইন্দিয়াগী অমদি মালেমগী সিনেমা শো উৎফম কয়াদা, অমুক্তদা উৎলিবগে হায়বদুনা ফিল্ম অদু মায় পাকহনবা নৎত্রগা পাকহন্দবগী মরুওইবা ফেক্তর অমা ওইরে। অহানবা, অনীশুবা, অহুমশুবা শো য়েংলুরবা মতুংদা অয়েংবশিংনা পীরকপা কম্মেন্ট অদু খুদক্তা ইন্টরনেটকী খুত্থাংদা মালেম শিন্না শন্দোক্লকই, যুমথোঙ খুদিং য়ৌরকই, মোবাইল ফোনগী খুত্থাংদা। মদুনা অয়েংবশিংগী পূক্নিংদা অকনবা ইথিল পী।

মরম অসিনা, অহানবা নুমীৎ নীনি-হুম্নীগী কল্লেক্সন অদুনা লেপ্পী- ফিল্ম অদুগী মরায়বক! হিত! নৎত্রগা, ফ্লোপ! অচৌবা কৈথেলগী মমি অসি পীক্লবা মণিপুরী দিজিটেল ফিল্ম কৈথেলসিদসু তারক্তুনা, ফিল্ম পুথোক্লিবা প্রোদ্যুসরশিংনা মখোয়গী ফিল্ম অনম্মল, ফিল্মদুগী প্রিমিয়র শো নুমীৎ অদুদা অমদি অখন্নবা মফম খরদা চেরিটি শোগুম্বা স্ক্রিনিং খরা তৌরগা হনজিন্নবা হোৎনবা অদুনা ‘মণিপুরী ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিগী মচৎ’ অমা ওইরক্লে। ‘অফবা ফিল্ম’ হায়বসি করিনো? খঙলবসু রাইটর অমদি দিরেক্টরশিংনা অনম্মল হনজিল্লোইদবা ফিল্ম পুথোক্লিংদে। অহোংবা অয়োন পোৎ (কম্মোদিটি) শীজিন্নর’ হুন্দাকপা (য়ুজ এন্দ থ্রো) অমগুম, অনীরক হন্না য়েংনিংদবা ফিল্ম ঙাক্তা পুথোক্লরকপা অসিনা, চহী নৌনা অমঙ য়াইথোঙ কুম্বই থাক্তা লাকপনি হায়বসিমদি য়ানসি। ফিল্মদা শক উৎপখক্লা আর্টিষ্ট নত্তে। নন-এক্টর ওইবা এক্টরশিংগা লোয়নরগতা নুংঙাইজরিবা দাইরেক্টরদুসু দাইরেক্তর নত্তে। ৱারমসিমত্তং খঙমিন্নরবা মণিপুরী ফিল্মগী খোঙচৎসি, মায়ওন চুম্না চৎলক্কনি। মসি ঐগী থাজবনি।



ওলাংথাগী ৱাংমদসু



লমজা পর্শুরাম

লৌশিং পুক্কে

# মীরোনবী নুপীশিংনা চীঞ্জাক অমদি তোঙান তোঙানবা মহীশিং থকপদসু চেকশিনবা মথৌ তাই

মীরোনবী নুপীশিংনা খুৎশেমগী থুমহন্নবা পোৎলম য়াওবা মহী, মরুওইনা সোফ্‌ট দ্রিঙ্ক থকপা মতমদা পূক্নুংগী অঙাং হকচাং শোকই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

কেনাদাদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ মেনিটোবাগী মেঘান বি অজাদনা হায়খি, সোফ্‌ট দ্রিঙ্ক থকপনা বোদি মাস ইন্দেক্স (বি এম আই) ৱাংলকপদগী কা-হেন্না নোয়বা অমসুং অৱূম্বা অঙাং পোক্লকই। মমানা নুমীৎ খুদিংগী অথুম্বা মহী য়াওবা সোফ্‌ট দ্রিঙ্ক থক্লবদি পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাংগী বোদি মাস ইন্দেক্স হেনগৎলকপগা লোয়ননা অঙাং অদু তাইবঙদা খোঙদারক্লবা মতুংদসু হকচাংগী অৱূম্বা হেনবগা লোয়ননা নোয়বা হেল্লি।

খুৎশেমগী থুমহন্নবা মহী য়াওবা সোফ্‌ট দ্রিঙ্কনা মীরোনবী নুপীশিং অমসুং পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাংশিংদা করি করম্বা অকায়বা থোকহল্লকপগে হায়বা খঙদোক্লবগী মতাংদা অহানবা ওইনা ষ্টদি চত্থিখিবনি।

মমা-মচা ৩,০৩৩ রোমদা ষ্টদি চত্থরবা মতুংদা খঙলকপা ৱাফম অসি হন্দক্তা জর্নেল ওফ অমেরিকান এসোসিয়েসন (জে এ এম এ) গী ওনলাইন ইদিসনদা ফোঙলকপনি। রিছার্চরশিংনা হায়খি, ঙসিগী মীরোলনা খুৎশেমগী থুমহন্নবা মহী য়াওবা সোফ্‌ট দ্রিঙ্ক থকপগী চাং ৱাংখৎলকপা অমসুং অনোয়বা অঙাংগী মশিং হেনগৎলকপা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবা মথৌ তারি।

অতোপ্পা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মীরোনবী নুপীশিংনা মরক মরক্তা সোফ্‌ট দ্রিঙ্ক থকপদা থোইনা অকায়বা লৈতে। অদুবু হেঞ্জিন্না থকপা তারবদি খুদোংথিনিংঙাই ওই। কোলানচিংবা সোফ্‌ট দ্রিঙ্ক অয়াম্বদা য়াওরিবা কেফিননা প্লাসেন্টাগী পল লানশিন্দুনা পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাংদা অকায়বা থোকহল্লি।



অখঙ-অহৈশিংগী রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না নোংমদা মীরোনবী নুপীশিংনা কেফিন মিলিগ্রাম ২০০ দগী হেন্না থক্লবদি অঙাং কায়বা য়াবগী রিস্ক ৱাংখৎলকই হায়রি।

ইন্সটেন্ট কোফী কপ নৎত্রগা চা কপ ৪, নৎত্রগনা কোলা কেন ৫ দা কেফিন মিলিগ্রাম ২০০ রোম য়াওই। মরম অদুনা নোংমদা কেফিন কয়া য়াম্না থক্লিবগে হায়বদু ঈশা ঈশানা কুপ্লা শেন্নবা মথৌ তাই। কেফিন থকপনা হকচাং মনুংদা য়াওবা ঈশিং, অতৈ মহীশিং অমসং কেলসিয়মগুম্বা ইসেন্সিয়ল ভিটামিন মাঙহল্লি। তঙাইফদনা সোফ্‌ট দ্রিঙ্ক থকপা তারবদি শঙ্গোম, লসি অমসুং অতেকপা হৈ মহীনচিংবা হকচাংদা কান্নগদবা মহীশিংসু থকপা মথৌ তাই।

সোফ্‌ট দ্রিঙ্ক অয়াম্বদা প্রিজার্ভেটিব, অর্টিফিসিয়ন ফ্লেবর, অর্টিফিসিয়ল স্বিটনর অমসুং অর্টিফিসিয়ল কলর (মচু) নচিংবা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা পোৎলমশিং য়াওবা মরম্না মীরোনবী নুপীশিংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লি। মসিগীসু মথক্তা কেলোরিগী চাং ৱাংবা সোফ্‌ট দ্রিঙ্কশিংদা কান্নবা ন্যুট্রিয়ন্ট অমত্তা য়াওদে। মীরোনবীশিংনা থকপদা কান্নরিবসি অতেকপা উহৈগী মহী, অচম্বা ঈশিং, লসি, শঙ্গোম, চম্প্রা মহী অমসুং য়ুবী মহীনি হায়না হকশেলগী লমদা থিজিল্লিবা অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখি।

নুপীশিংনা মীরোল্লিঙৈদা চাগদবা অমসুং চারোইদবা চীঞ্জাক্কী মতাংদা মমুৎ তানা খঙজরবসু থকপা য়াবা নৎত্রগা য়াদবা মহীগী মতাংদদি থোইদোক্লা খঙনদবগুম তৌরি। অতৈ মতমদা হকচাং ফহল্লি হায়না লৌনবা মহী কয়া মীরোনবীশিংনা থক্লুবদা খুদোংথিবা মায়োক্লরকপা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা গ্রীন টি থকপা ফৈ হায়বা মীপুম খুদিংমক্লা খঙনরবসু মীরোল্লিঙৈ মনুংদদি খক থক্লোইদবনি।

মুম্বাইদা লৈবা দাইটিসিয়ন অমসুং স্পোর্টস ন্যুট্রিসনিষ্ট দিপশিখা অগরৱালনা হায়খি, নুপীশিংনা মীরোল্লিঙৈ মনুংদা মেটাবোলিজমগী চাং ৱাংখৎলকই। গ্রীন টি থকপা মতমদা মেটাবেলিজমগী চাং অমুক্কা হেন্না ৱাংখৎহনবা মরম্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। মসিগীসু মথক্তা চীঞ্জাক্তগী হকচাংনা ফোলিক এসিদ লৌশিনবদা অকায়বা থোকহল্লি। মরম অদুনা মমা অমদি পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাংদা ফোলিক এসিদ ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লকপা য়াই।

জর্নেল ওফ দ অমেরিকান মেদিকেল এসোসিএসন (জে এ এম এ) দা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মীরোল্লিঙৈদা থক্লোইদবা অতৈ মহীশিংদি য়ু, সোফ্‌ট দ্রিঙ্ক, আইস টি, কোফী, সোদা, হ্বিটগ্রাস জুইস অমসুং পেসচরাইজ তৌদবা শঙ্গোমনি।

মীরোনবী নুপীশিংনা চীঞ্জাক্তা চেকশিনবগুম তোঙান তোঙানবা মহীশিং থক্লমদাইদসু চেকশিনবা মথৌ তাই হায়রি।



# অদিম ভারতিয়া মোদি আর্মি সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী নেসনল প্রসিদেন্ট খল্লকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওঠোরিটি এম এস দি এগী ভাইস চ্যেরমেন ওইরিবা অদিম পামৈবু ভারতিয়া মোদি আর্মি (বি এম এ)গী সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী নেসনল প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকখিবগা লোয়ননা ঙসি এপোইন্টমেন্টকী চে খুৎশিন্নখ্রে।

থাঙ্গাল বজারদা লৈবা হোটেল য়াইফবদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা বি এম এগী নেসনল প্রসিদেন্ট ওইরিবা ডা. রাজিব অহুজানা অদিম পামৈদা বি এম এগী সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী নেসনল প্রসিদেন্ট ওইনা খনবগী চে অদু খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা বি এম এগী নেসনল প্রসিদেন্ট ডা. রজিব অহুজানা হায়খি, বি এম এনা ঈংতপ্পা য়াইফবা লমদম অমা পুরক্লবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা কেম্প্যেন কয়া চত্থদুনা লাক্লি। মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীবগী খোঙচৎ কয়াসু মথং-মথং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। সেনাপটি অমদি ইম্ফালদসু অসিগুম্বা খোঙচৎ অসি পাঙথোকপা লৈখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাখল্লোন অমদি মিসন কয়া অসি বি এম এনা শৌগৎলি।

বি এম এ অসি তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা ব্রাঞ্চশিং লৈরকপগা লোয়ননা ভলন্টিয়র মশীং য়ামখৎলক্লি। চাউখৎ খোঙথাং অমদি অফবা পাউজেল কয়া শন্দোকপদা ভলন্টিয়রশিংনা থৌদাং লৌগনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎলক্লিবা প্রোজেক্ট অমদি প্রোগ্রাম কয়াগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবদসু থৌদাং লৌগনি। মীয়ামগীদমক কত্থোকপগা লোয়ননা হোৎনরিবা মোদিগী ৱাখল্লোনশিং অসি শৌগৎপগা লোয়ননা খোঙথাং কয়া চঙশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা বি এম এগী সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী নেসনল প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকখ্রবা অদিম পামৈনা ফোঙদোকখিবদা বি এম এগী ওইনা য়াম্না রেস্পোন্সিবল ওইবা থৌদাং অমা শীন্নরকপা অসি থবক্তা ওইনা নীংথিনা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। বি এম এগী সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী ওইনা নেসনল প্রসিদেন্টকী ফম পীরকপা হায়বসি লায়না লৌদে। থৌদাং য়াম্না চাউই হায়না খল্লি। হায়র ওঠোরিটিনা পীরক্কদৌরিবা থৌদাংশিং নীংথিনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগনি। লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয়না চাউখৎ খোঙথাংগীদমক অমত্তা ওইনা লেপমিন্নসি। য়াইফ থৌরাংগী ওইবা হীরম কয়াদা মাংজিল থানা চৎপা ঙম্বা লমদম অমা ওইনবা হোৎনসি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা বি এম এগী নেসনলগী থৌ পুবশিং অমদি মণিপুরগী ওইনা থৌ পুরিবা কয়াসু শরুক য়াখি।

# ওজা মহুৎ থম্বগা মরী লৈননা জিম্পালনা শেংদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): জিরিবামগী লালপানী হায়স্কুলদা আর্টস গ্রেজুয়েটকী ওজা ওইবা বি শরতকী মথক্তা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল জিরিবামনা শীরক্লিবা মরাল অসি অতম্ননা চত্থরকপা থৌওং অমনি হায়না জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ (জিম্পাল) না ফোঙদোরক্লি।

জিম্পালগী জেনরেল সেক্রেটরি এল বিমোলানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, জিরিবামদা অসুম্না ওজা মহুৎ থমদুনা লৈবা ওজা মশীং থিঙমদনা লৈরে। অদুগুম্বা ময়াম অদু পুন্না মীৎয়েং চঙবগী মহুত্তা অকক্লবা ওজা অমখক্তদা মীৎয়েং থল্লক্লিবা অসি কে এস এ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী করম্বা এজেন্দা লৈবনো হংনিংই। ওজা বি শরত মতৌ করম্বা ফিভমদা ওজা মহুৎ থমখিবনো হায়বদু স্কুল মেনেজমেন্ট, দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি ওজাশিংদা হংবিরম্লবদি অশেংবা অমদি লৈরিবা মরম অদু খঙলম্বা য়াবনি হায়রি।

কে এস এনা চত্থরিবা খোঙজং অসিবুদি জিম্পালনা তরাম্না ওক্লি অদুবু থৌওং অসিদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা চরাংনবা থোক্লবা থৌশিল অমা ওইরক্লোই হায়দবা ঙমদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, কে এস এ দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল জিরিবামগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা অসি লালখান পোষ্ট ওফিসতা ব্রাঞ্চ পোষ্ট মাষ্টর ওইনা থবক তৌরিবা মীশক অমনি হায়না মরাল শীরক্লি। পোষ্ট ওফিস অসিদা কয়াম য়াম্না মপুং ফানা থবক তৌরিবগে হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। মরম অদুনা মহাক্কী মথক্তা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়বা ৱারোলসু জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ (জিম্পাল) গী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



HL-P/5663/12/11-11/12(Alt.)



HL-B/5028/25/11-20/1

